ফেষ্টিভেল ওফ নুপী পালা সঙ্কীর্ত্তন ২০২২ পাঙথোকখ্রে

# ‘ঐখোয়গী ট্রেদিসন ঙাক্তুনা থম্বগী তঙাইফবা লৈরি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর অসি শক তাকপদা ঐখোয়গী আর্ট এন্দ কলচরনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঐখোয়গী নাৎ চৎনবীশিং অসি য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

ৱাফম অসি ঙসি আজদি কা অমৃট মহোটসব থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কাংমোং সঙ্গীত কালা মন্দল, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা সঙ্গীত কালা মন্দল, কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল ওফ নুপী পালা সঙ্কীর্ত্তন ২০২২গী থৌরমদা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা পদ্মশ্রী নব ৱারেপ্প, প্রসিদেন্ট ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা, অহল-লমনশিংনা থন্বীরম্বা কালা সংস্কৃতিগী ওইবা নাৎ চৎনবী কয়ানা লমদম অসিবু মমায় চুমদুনা লাক্লিবনি। হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা কালা সংস্কৃতিগী মচাকশিং অসি খঙহৌদ্রবদি ঐখোয়গী ট্রেদিসন চৎনবী অসি মাঙখিবগী অকিবা লৈরি। ঐখোয়গী কলচরগী ইনাক খুল্লবা লন অসিবু মালেমদা শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি। ঐখোয়গী কলচর অমদি স্পোর্টসনা মালেমদা মণিপুরবু শক তাক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এল তোমপিশকনা অথোইবা মীথুং, নেসনল সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী শৌগ্রাকপম হেমন্তনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নুপী পালাগী ওইবা ঈশৈশিং শকখিবগা লোয়ননা সর্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

# ব্লোকেদ অমদি কাউন্টর ব্লোকেদ পুম্নমক লেপ্পীরো : সী পি আই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : এ দি সী বিলগী মতাংদা অটসুমনা চঙশিল্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিদগী মণিপুরগী মীয়াম খম থেংনা অৱাবা ফীভমদা লৈরে। মণিপুরগী মীয়াম্মা শীজিন্নরিবা পোৎচাক ১০০গী মনুংদা ৮০ মপানগী ষ্টেট অতৈদগী পুশিল্লকপনি। ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইদুনা লায়রবা অমদি শুরি-নোল্লিবা মীয়াম খম থেংনা ৱারে। মরম অদুনা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী, সী পি আই)গী মায়কৈদগী ব্লোকেদ অসি খুদক্তগী লেপ্পীয়ু হায়না আপীল তৌরি। লোয়ননা তম্পাক্তা লৈবীরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌগনি হায়রিবা অসিসু লেপ্পীয়ু হায়না আপীল তৌরি হায়না এম এস সী, সী পি আইগী সেক্রেটরি এল থোইরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সী পি আই হায়বা পার্টি অসি মুভমেন্ট অমদি ষ্ট্রগলদা থাজবা, ষ্ট্রগল কয়া কয়ানা লৈবাক্কী শুরি-নোল্লিবা অমদি লায়রবা দাউনট্রোদ্দন পিপলশিংবু য়াইফবা লন্বীদা পুরক্লবা হোৎনজবা পার্টি অমনি। অদুবু তাঞ্জা তাঞ্জাগী ওইবা মওংদা বন্দ-ব্লোকেদ সী পি আইনা মুভমেন্টকী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নে। মীয়ামদা কা হেন্না ৱাহল্লোইদবা মওংদা খোঙজংশিং চথে। ষ্টেটহুদ মুভমেন্ট অসি সী পি আইনা মাঙজিল থানা তৌখি। পব্লিক মীটিং, রেল্লি, হঙ্গর ষ্ট্রাইক, রেল্লি টু দেল্লী অদুবু মমৈদা জেলদা কয়াসু চঙখি। জেল চঙলে হায়দুনা অৱাবা ফোঙদোকখিদে। মণিপুরগী লোগী মুভমেন্ট, অফস্পাগী খোঙজং, সী এ এগী মুভমেন্ট পুম্নমক্কী ষ্ট্রাইক তৌরকপদা মীয়ামদা, মীচমদা কা হেন্না ৱাহনবা তৌখিদে। অসুম্না অটসুমগীসু মীচম মীয়াম ৱাদবা মখলগী মুভমেন্ট চথবীনবা আপীল তৌজবনি।

নেসনল হায়ৱেদা ব্লোকেদ তৌবদা অথিংবা কয়া সুপ্রীম কোর্টকী ভর্দিকশিং লৈখ্রবনি। দেমোক্রেটিক কন্ট্রি অমগী সিটিজেন ঙাক্তনিনা দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট তৌবীনবা আপীল তৌরি, ভাইওলেন্স চথবীগনু। লোয়ননা তম্পাক্কী মেজর কম্যুনিটি ওইরিবা মীয়াম মরক্তগী লূপশিংনা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌগনি হায়বা অসিসু অমুক্তং খন্থবীনবা আপীল তৌরি। অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা খোঙজং চথরিবা লূপশিংবু চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না কৌবীরগা সোল্ভ তৌনবা ৱারী শাবীয়ু। মীয়াম ৱানরিবা অসি খুদক্তা কোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# খোংজোম সার্কলগী মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : সাউথর্ন য়ুথ ইন্সেন্টিভ এসোসিএসন (এস ৱাই আই এ) খোংজোম সার্কলনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম ঐচ এস এল সী এগজাম-২০২২দা খোংজোম সার্কলগী ওইনা মকোক মথং তারক্লবা মহৈরোয়শিংবু ১৮লকশুবা ওইনা তরাম্না ওক্তুনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা কৎপীরকপা এৱার্দশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

তেকচম হায় স্কুলগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা মহৈরোয় ওকপগী থৌরম অদুদা এস ৱাই আই এগী মরুওইবা মীওইশিং সী ঐচ চন্দ্রমনি, সী ঐচ বিরচন্দ্র, এম তোম্বা, ঐচ জুগিন্দ্রো, এল শ্যামো অমসুং সী ঐচ ইতোননা অথোইবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা খোংজোম সার্কলগী ওইনা মকোক মথং তারক্লবা মহৈরোয় ৫, সবজেক্ট টোপ্পরদা মহৈরোয় ৩ অমসুং খোংজোম সার্কলগী ওইনা ফিমেল টোপ্পরদা লাঙথেল হায় স্কুলগী মহৈরোয় পুয়াম সর্জুদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা কৎপীরকপা এৱার্দশিং খুৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## হর ঘর তিরঙ্গগী খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অমদি হর ঘর তিরঙ্গগা মরী লৈননা থৌবালগী তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা জোনেল এদ্যুসেন ওফিস জোন থ্রী থৌবালনা শীন্দুনা চৎখিবা মহৈরোয়শিংগী রেল্লি অদু থৌবাল ৱাংমতাবদগী দি সী থৌবাল অহন্থেম সুবাশ, আই এ এসনা লমথাখি। হর ঘর তিরঙ্গী পাউজেল পুদুনা চৎখিবা রেল্লি অদু থৌবাল দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা জেদ ঈ ও জোন থ্রী থৌবালগী ওফিস মমাঙদা লমথুংফম ওইখি। রেল্লি অদুদা জেদ ঈ ও থৌবাল এ অনিলকুমার, জেদ ঈ ওগী ষ্টাফশিং অমসুং ওজাশিংসু শরুক য়াখি।

# মীওইবগী পুন্সি কন্নবা য়ু লিগেলাইজ তৌগনি হায়বা ৱাফম য়ুম্ফম য়াওদবনি, য়ু লিগেলাইজ তৌবা য়ারোই : থৌবাল ইমা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : হন্দক্তা লোইশিনখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী নোংজু মীফমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা য়ু লিগেলাইজ তৌনবা খন্নরগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদু য়াম্না লাইবক থীবনি। য়ু লিগেলাইজ তৌবা শুকয়া য়ারেই হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা)গী সেক্রেটরি জেনরেল মোইরাংথেম ওংবী সনাতোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীয়ামগী লাইশঙ ওইনা লৌনরিবা এসেম্বলীদা নাকল অমখক্তগী ওইবা মীৎয়েংদা মীয়ামগী হকশেলদা শোকহনগদবা, খুন্নাই মীয়াম মাঙ-তাকপা য়াবা ৱাফম খন্নরবা অসি থৌবাল ইমানা অকনবা মওংদা কন্দম তৌই। অসিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী অরানবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা মতম খূদিংমক্কী ওইনা লেপকনি। থেঞ্জাং কয়ারক্তা মণিপুরদা পানখিবা মতম মতমগী লৈঙাকশিংনা রেভিন্যু কল্লেক্সনগী মিংদা য়ু লিগেলাইজেসনগী ৱাফম হেক হেক হৌদোক্তুনা মীয়াম খোয়রাং-খোয়শাউনহনবগী থৌওং চথরোইদবনি।

হৌখিবা চহী ১৯৭৫কী চহী পরিংদগী হৌদুনা লমদম অসিদা নুপা ওইবশিংনা য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখলশিং শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা য়ুমগী নুপী-অঙাং ওৎ-নৈবদগী হেন্দোরক্তুনা হাৎপা য়াওরকপগী থৌদোক কয়া অমদি হৌরক্লিবা খুন্নাই অসিগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কঞ্জনবা মণিপুরগী লৈকায় লৈকায় খূদিংদা নিশা বন্দিগী ঈহৌ শাগৎতুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অদুগী মহয়না ঙসিগী মণিপুর খুন্নাই মশেক-মঙাল থোক্লা হিংলিবনি হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা কাউথোকপা চুল্লোই।

খুন্নাই অসিদা নুপা ওইবা কয়া লিভর সিরোসিসনা মরম ওইরগা শিবা ঙাইনা পুন্সি লেনবা কয়া লৈরে, অসিগীসু মথক্তা চহী নৌরিবী নিঙোল কয়া অমনা য়ুনা মরম ওইরগা মৱা-মপুরোইবা কায়নখিবা কয়া নোংমা কাংদনা মশীং হেনগৎলক্লি হায়বা ৱাফম সী এম, এন বিরেন মশামক্লা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু করিগী খঙশিন্নদবনো। মশামক্লা হায়খিবা ৱাফম অদুগী ওন্ন-তৈনবদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌদুনা অফবা য়ু পীথক্তুনা মীওইবগী পুন্সি কনগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপা অসি অঙকপা ফাওই। হংনিংলিবা ৱাফমদি, অফবা য়ু হায়বসি করিনো, অফবা য়ু থকপদা হকচাং শোক্তবরা। মণিপুর খুন্নাইগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি কুপ্না নৈনদুনা থবক তৌগদবনি হায়রি।

# ‘য়েলহৌমী মশক খঙদোক্লবা লৈঙাক্লা অয়াবা পীরবা সী এস ও লৈরব্রা’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা য়েলহৌমী মশক খঙদোক্লবা লৈঙাক্লা অয়াবা পীরবা সী এস ও লৈরব্রা হায়না পাঙল পোলিটিকেল ফোরম (পি পি এফ)গী স্পোক্সপর্সন এম আই খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পি পি এফকী ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ইমর্জেন্সি এগজিক্যুটিভ মীটিং অমা কৈরাও সার্কলদা পাঙথোকখি। মীটিং অদুদা পি পি এফ মণিপুরগী চীফ এদভাইজর অলহজ এ আর খান, রিটায়র্দ আই এ এস; প্রসিদেন্ট মুহম্মদ হাসন; স্পোক্সপার্সন এম আই খান; সেক্রেটরি কয়ামুদ্দিন অমদি ট্রেজরর এম দি মনেরুদ্দিননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইবীদুনা হৌজিক মণিপুরদা কনাগুম্বা লূপ/সী এস ও খরনা ইন্দিজিনস ট্রাইব ২৫ খক্তনি ফোঙদোক্লকপগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুনা ৱাফম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করি ওইরকপা য়াই। মসিনা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩৫ রোম লৈ হায়রগা ফুরুপ ২৫ খক্লা য়েলহৌমী ওইগদবনি হায়রক্লিবসি করি, করম্বা দেটাদা বেজ তৌরিবনো। ৱাফম অসি ফুরুপ খূদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। লোয়ননা মসিদগী ঐখোয়গী অপূনবগী শক্তম অমদি নুংশি-চান্ননা হিংমিন্ননবা তোঙান তোঙানবা সী এস ও কয়ানা কন্না হোৎনরিবসিদা করি, করম্বা ইম্পেক্ট পীরক্কদগে খল্লুবদা পি পি এফনা লুম্না লৌদবা ঙমদে।

মীয়াম্নসু খঙই পি পি এফনসু হায়জরি মণিপুর মুস্লিম (মৈতৈ পাঙল) অসি চহী ৫০০ হেনবগী পুৱারী লৈরবা, মণিপুরগী অপূনবা পোপ্যুলেসনগী য়েংলুরবসু চাদা ৮.৫ য়ৌরবা ফুরুপ অমনি। অদুবু য়েলহৌমীগী লিষ্টতদি পনবীরক্ত্রে। পি পি এফনা য়াম্না লায়না অমদি চম্না খল্লুবদি মৈতৈ নিঙোলনা পোকপা চাদা নাওদা ওইবনা মৈতৈ হায়বদা পাঙলসু য়াওরম্বা য়াই। ৱাফম অসি লূপ খরগী সেন্টিমেন্ট ওইবনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা ৱাফম অসিগী মতাংদা শেংদোক ৱারোল অমা লাউথোকপীয়ু হায়রি।

# ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অঙাং চীংদা উ চারা ৫০০ রোম থাখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী য়াথং অমগী মতুংইন্না পোল ষ্টার কোলেজ, হিয়াংলম-ৱাবগাইনা শীন্দুনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী থৌনাওজমদা লৈবা অঙাং চীংদা উ চারাশিং থাখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ভেলেন্টিনা এলাংবম য়াওনা পোল ষ্টার কোলেজ হিয়াংলম-ৱাবগাইগী ওজা অমদি মহৈরোয়শিং লোয়ননা থৌনাওজমগী মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ঙসিগী উ চারাশিং তাবা অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অঙাং চীংগী মফম কয়াদা চাবা য়াবা উহৈ অমদি হিদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা উ পাম্বীশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী উপাল ৫০০ রোম থাখি।

ঙসিগী উ থাবা অদুগা মরী লৈননা পোল ষ্টার কোলেজ হিয়াংলম-ৱাবগাইগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইরিবী ভেলেন্টিনা এলাংবমবু মখা তানা ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইহনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা আপীল তৌরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

# মীরোনবী নুপীশিংনা

## তঙাইফদনা খঙজিনগদবা চেকশিন থৌরাংশিং

নুপী ওইবীশিংনা মীরোনবা মতমদা হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলকই। অদুবু হেনগৎল-ক্লিবা হকচাংগী অৱম্বা শরুক অদু পূক্লুংদা য়াওরিবা অঙাংগী অৱম্বনি অমসুং অঙাং উনরবা মতুংদা হান্নগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিল্লক্কনি হায়না নুপী অয়াম্বনা থাজনৈ।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পেন ষ্টেট এবিংটনদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইবা দেবিদ জে হটসননা হায়খি, মীরোনবা মতমদা নুপীশিংনা তোঙান তোঙানবা সাইকোলোজিকেল অমদি ফিসিওলোজিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নে। খ্বাইদগী মরুওইনা হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে।

দেবিদ জে হটসননা হন্দক্তা মীরোনবা কুইদ্রিবা মশাগী চহী ২৫ দগী চহী ৩৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপী ২০ দা ৱাহং কয়া হংলগা মখোয়গী পূক্নিংদা ফাওরকপা অহোংবশিং মনুং থীৎনা খঙদোক্লবা হোৎনরম্মী। নুপী খূদিংমক মীরোনবা হৌগৎলকপদা হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলকপা, চানিং থক্লিংবা ফাওদবা অমসুং হকচাং চোকথবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নে। অঙাং উনবা মতমদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং অদুদগী মীরোনবা মতমদা থেংনবা খুদোংচাদবনা হেল্লি হায়বা খঙলকখি।

দল্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মীরোনবী নুপীশিং হান্না চারম্বা চাংদগী হেন্না চাশিনবা মথৌ তাই। অদুবু কান্নদবা মওংদা হেঞ্জিন্না চাশিল্লবদি হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলকই। মীরোল্লিঙৈ মনুংদদি হকচাংগী লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপনিনা অমুক্লা হেন্না হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলক্লবগী মরম ওইহল্লি।

মীরোল্লিঙৈ মনুংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারবদি পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা কান্নরবা ন্যুট্রিয়ন্টশিং ফংহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা অহেনবা চীঞ্জাক চাশিনবা মথৌ তাই। অদুম ওইনমক কান্নদবা মওংদা মীওই অনীগী শরুক চাশিনগদবা নত্তে। চাংচৎতা মীরোনবী অমনা নোংমদা মথৌ তারিবসি অহেনবা কেলোরি ৩০০ লোমনি। মসিনা পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা মচীঞ্জাক পীজবগা লোয়ননা চপ চাবা মওংদা হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলকই। নুপী অমনা মীরোল্লবা মতুংদা হেনগৎলক্লিবা হকচাংগী অৱম্বসি চাংচৎতা পাওন্দ ২৫ দগীনা পাওন্দ ৩৫ ফাওবনি। হান্নদগী অৱম্বা শুদবী নুপীশিংগী ওইনদি পাওন্দ ২৮ দগী পাওন্দ ৪০ ফাওবা হেনগৎলকপা মথৌ তাই। অৱম্বা হেনবী ওইরগনা মীরোল্লবা মতুংদা পাওন্দ ১৫ দগী পাওন্দ ২৫ ফাওবা হেনগৎলকপা মথৌ তাই। মীরোনবগী অহানবা থা অহুমদা শুপ্নগী পাওন্দ ২ দগী পাওন্দ ৪ ফাওবা হেনগৎলক্কদবনি। মদুগী মতুং তারকপদনা চয়োল খুদিংগী পাওন্দ অমমম হেনগৎলকপা মথৌ তাই হায়রি। পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাং অদু ফাইবোক ওইরগনা পাওন্দ ৩৫ দগী পাওন্দ ৪৫ ফাওবা হেনগৎলক্কদবনি। অহানবা থা অহুমগী মতুংদা চয়োল খুদিংগী পাওন্দ অমা মখায়গী চাংদা হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলকপা মথৌ তাই। পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাং অদু ফাইবোক্লি হায়বা খঙলবদি নোংমদা কেলোরি ৩০০০ দগী ৩৫০০ ফাওবা হেন্না চাশিনগদবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

মীরোল্লবা মতুংদা হেনগৎলক্লিবা হকচাংগী অৱম্বা অদু অঙাংগী পাওন্দ ৮, প্লাসেন্টাগী পাওন্দ ২-৩, এমনিওটিক ফ্লুইদকী পাওন্দ ২-৩, ব্রেষ্ট টিস্যুগী পাওন্দ ২-৩, ব্লদ সপ্লায়গী পাওন্দ ৪, তুংশিন্দুনা লৈবা ফেটকী পাওন্দ ২-৯ অমসুং লাজ’র য়ুটেরসকী পাওন্দ ২-৫ নি। মতৌ অসুম্না পাওন্দ ২৫ দগী পাওন্দ ৩৫ ফাওবা হেনগৎলকপনি।

কনাগুম্বী নুপী অমা মীরোল্লবা মতুংদা কা হেন্না হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলক্লবদি ডোক্তরনা অৱম্বা খরা হন্থহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই। অদুবু ডোক্তরগী পাউতাক য়াওদনা অমসুং ডোক্তরগী মীৎয়েংখাদা নৎত্রবদি ইশা ইথন্তনা হকচাংগী অৱম্বা হন্থহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলোইদবনি হায়রি। অয়াম্বা মতমদা নুপীশিংনা মীরোল্লিঙৈ মনুংদা হকচাংগী অৱম্বা হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মথৌ তাদে।

মীরোল্লিঙৈ মনুংদা কা হেন্না হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলক্তনবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি অমুক্তা পুল্লপ চাশিনবগী মহুত্তা মচিৎ-মচিৎ তোয়না চাবা, ফাষ্ট ফুদ য়াম্না চাদবা, থাউদা তাউবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাদবা, সোফ্ট দ্রিঙ্ক, আইস টি, নৎত্রগা লেমোনেদকুম্বা অথুম্বা মহী কা হেন্না থক্তবা, কুকিজ, কেন্দি, কেক অমদি পোটেটো চিপকুম্বা কেলোরি ৱাংবা চীঞ্জাক য়াম্না চাবগী মহুত্তা অতেকপা উহৈ অমদি দ্রাই ফ্রুইটকুম্বা মরাং কায়না চাবা, থাউ অমদি ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাদবা অমসুং ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা অসিনচিংবনি। মীরোনবী নুপীশিংগীদমক্তদি নোংমগী খোঙকাপ খরা খোঙনা চৎপা অমসুং ঙাইহাক ঈরোয়বা ফৈ। অদুম ওইনমক করম্বা মখলগী হকচাং শাজেল তৌগদগে হায়বদুগী মতাংদা ডোক্তরগা তান্নবা মথৌ তাই। মীরোল্লিঙৈ মনুংদদি হকচাং লেঙ -ওৎপগী চাং ৱাৎপনিনা নোয়বা অমসুং হকচাংগী অৱম্বা হেনগৎলকই। অদুবু হেনগৎলক্লিবা হকচাংগী অৱম্বা শরুক অদু পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংগী অৱম্বনি হায়না মীওই অয়াম্বনা অরানবা মওংদা থাজনৈ। মরম অদুনা মীরোল্লে হেক খঙলকপা মীৎকুপতগী ডোক্তরগা তোয়না তান্নদুনা করি করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদুগী মতাংদা ৱারী শাগদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মথৌ তাবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক তুলিহলদা লৈবা ক্রেদল পোর দিসএবল য়ুনিয়ন (সী আর এ এফ দি য়ু)না শীল্লগা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা লৈবা মীয়ামদগী তোঙাল্লবা মীওই (দিফেরেন্টলি এবল্ড পার্সন) ১০০ হেনবদা মখোয়গী মথৌ তাবা চৈঙাক পোৎলমশিং (এইদস এন্দ এপ্লাইয়েন্স) লেম্না য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তুলিহল জিলা পরিষদকী মেম্বর কোংবম ইনাওচা, অংথা জি পিগী প্রধান থিয়াম মনিহল, সী আর এ এফ দি য়ুগী প্রসিদেন্ট আর এ মৈনম, তুলিহলদগী সোসল এক্টিভিষ্ট মেরাইময়ুম অব্দুল কলাম অমসুং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা এ এস আই ওইনা থবক তৌরিবা তুলিহলদগী এম দি নাজির অহমেদনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবা মীওইশিংগী পীরিবা খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনসি হায়বা ৱাফমশিং থম্বগা লোয়ননা সী আর এ এফ দি য়ুনা দিফরেন্টলি এবল্ডশিংগী য়াইফনবা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু থাগৎপা ফোঙদোক্লখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 371/SDC/SLG/IE of 2022.**

Parties:-
Okram Bikram Singh S/o Shyam Singh of Pangei Yangdong.
-Petitioner

-Vs-

Late Pattadar:-
Thoudam (N) Okram (O) Tombi Devi W/o Shyam Singh of Pangei. -Opposite Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Sagolmang, the 6/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংনা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 11-Khundrakpam পাট্টা নং 220 (অরিবা) 1753 (অনৌবা), দাগ নং 1652, মোট এরিয়া .62 একর চাওবা অঙনফৌ লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/3632/09

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 368/SDC/SLG/IE of 2022.**
**Dated: 05/08/2022**

Parties:-
1. Wahengbam (O) Ibehaibi Devi W/o (L) Surchandra Singh of Wahengbam Leikai Lairembi Maning.
2. Wahengbam Wangthoi Devi D/o Surchandra Singh of Wahengbam Leikai Lairembi Maning.
3. Wahengbam Boris S/o (L) Surchandra Singh of Wahengbam Leikai Lairembi Maning. -Petitioners

-Vs-

Late Pattadar:-
Wahengbam Surchandra Singh S/o (L) Samungou Singh of Wahengbam Leikai. -Opposite Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Sagolmang, the 5/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংনা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং 420 (অরিবা) 451 (অনৌবা), দাগ নং 90, মোট এরিয়া .56 একর চাওবা অঙনফৌ লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/3632/09

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।০৮।২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা;
থৱানগী ১২ নি পানবা।

মেষ: পোরম য়াৎপা অমদি ৱাঙাং হৈত্রদি ইকায়বা নংগনি, অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎলি। য়েৎনবদি মায় পাক্কনি, অরিবা থবক পাঙগনি, পল্লম্বা শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: নুংথিল ফাওবা নীংজবা থুংগনি। ওইজবা, লৌশিং অমদি শেল ফংগনি। চিন য়াংবদি মাঙজগনি অমদি অঙম্বনা খরদি য়েংশিল্লি-থিবা হুম্বা কনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মিথুন: খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংজবা নুমিৎনি। হরাওবা নুংঙাইবা, মীনা লোয়নবা পাম্বা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা অমদি অনৌবা মরুপ ফংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: অয়ুক্তা মতম মাঙবা, লন চৎপা অমদি কোক শাবা লৈরসু নুথিলদদি নীংবা থুংগনি। নচা-ননাইগী মতেং ফংগনি, থৌনা ফুদোকপনা থৌপাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: খুরৌ থাংলম্বা ফরনি, য়েৎনবা লৈরম্বসু কোকচরনি অমদি অনৌবা থবক্তা ইমুং-মনুংগা ৱাতান্নরগা থৌপাঙবনা খ্বাইদগী শাফগনি। অফা অপুন কোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাঙদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: নুংথিল ফাওবা নীংবা থুংবা অনৌবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াবা অমদি মীয়ামগী মতেংসু শোয়দনা ফংগদবা নুমিৎনি। হুরানবনা মাঙহনবা য়াবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: হকচাং নুংঙাই অমদি মীয়ামগী মতেং পাম্লদি ফংজগনি। নুংথিলদা নীংবা থুংবা, অনৌবা অফবা আশা লাকপা লৈ। অনম তানবগী কান্নবসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: হরাওবা নুংঙাইবা, শেন্দোং ফংবা, লাই-গুরুনা চানবীবা, অরুবা থবক পাঙবগী ইকায়খুম্নবা ফংজবা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, ওইজ-ওইথক ফংগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। থাজদনা নক্লবনা নচাক নরলদা য়েংশিনবা লৈ-মতম ঙাইয়ু। মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: নুংথিল ফাওবা মীচঙ লৈবা, শেন্দোং ফংজবা অমদি অনৌবা থৌরমদা পুক্নিং চঙবা কান্নবা নুমিৎনি। চথোকপা/শকখঙদবা লোয়নবদা পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কুম্ভ: য়েক্লবা ময়েং তাগনি, নীংবা থুংজগনি, অনৌ-অনৌবা আশা ফাওরক্কনি। থবক্তা মায় পাকচবা অমদি অরুবা মতাংদসু নাইতোম ৱা তুপ্পা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: অয়ুক্তা ফবা ৱাৎলসু নুংথিলদা মীপায়রম্বা কোক্তুনা অনীংবা থবক পাঙগনি। অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা অমদি য়েৎনরম্বসু কোকচবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।